ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯦ ꯱꯷, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯵꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মে ১৭, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৫৪শুবা মশীং

টিদ্দিম লম্বীদা খুদোংথিবা

হোদাম লৈরক মপাদা ট্রাফিক আইলেন্দ থমসি

ঙসিদগী চহী ৮ রোমগী মমাঙদা মণিপুরগী ৰাংমদা লৈখিবা মীওই অমা ময়ুমনি হায়দুনা ইম্ফাল সহরগী কৈশাম্পাৎ অসিৰাইদা লাকপদা পাক হেক ময়ুম খঙগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। মমাঙ লৈঙাকনা তৌবা থবক্তা মচু-মমেন তাদবা, মথোং চাদবা কয়ামরুম য়াওরবসু ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতগীনা এয়রপোর্ট ফাওবগী হৌজিক ওইরিবা লম্বীগী ফীভম অসি য়ৌনবা শেমগৎপদা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লৌখিবা থৌদাংসিমদি থাগৎতবা ঙল্লোই। হৌজিক্তি লম্বী অসি নীংথিজনা ফরে। কৈশাম্পাৎতগী নিংথৌখোং ফাওবা নুমিদাং অথেংবা হায়বসি অয়েৎ-অপন কয়া য়াওদ্রবা মতমদা কাঙ্খোং মরিগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ী অমনা চৎপদা মিনিট ২০ ফানা চঙদ্রে। লম্বী অসি নীংথিজনা পাকপদগী হেন্দোক্লদুনা নুমিদাংগী মতমদসু এল ঈ দি বল্ব শীজিন্নদুনা লংত্রিক লংলবা মৈগী মঙালনা চখোক-চৎশিন তৌবা মীওই কয়াদা অপনবা থোকহন্দ্রে। অমম্বা মফমদা ফত্ত-হাওদি, অমোৎ-অকায় লংথোকফম ওইরম্বদুসু হৌজিক্তি মৈ ঙান্না থানখিবদগী অমোৎ-অকায় হুন্দোকপদি লায়রদনা নুমিদাং অথেংবদা মফম চাদবা মপান থোক্কে হায়বা ফাওবা হঙ্গৈইবা ফাওরে। মসিমক চাউখৎপগী মশক অমা হায়বদু লৈঙাক্কী দিভলপমেন্ট ৰার্কনা পীরকপা খুদোলনি হায়বা য়াই। লম্বী অসি ওইনবা লন্নাই য়ুম কয়া লৌশিনখিবদগী অতেক-অকায়না থল্লবা য়ুম কয়ামরুম লৈরম্বদু হৌজিক্তি নীংথিজনা শেমজিল্লক্তুনা মার্কেটসু এক্সপান্সন তৌরক্লে। কৈশাম্পাৎতগী ক্বাকৈথেল ফাওবা লম্বীগী নাক-য়েৎতা দুকান ঙাক্তা ঙাইরক্লে। মসিনা থবক ফংদবা মীওই কয়াদা থবক পীরে হায়না ফাওবা লৌবা য়ারে। হৌজিক ওইরিবা টিদ্দিম লম্বীগী ফীভম অসিগুম্না ইম্ফাল ইষ্টকী মফম খরা অমদি ইন্দো-ম্যান্মার লম্বী শেম্বগী মথৌ তারি। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়া মনুংদা লৈবা লম্বীমখৈ টিদ্দিম লম্বীগুম্না পাকপমক নৎত্রবসু ষ্ট্রিট লেম্প ঙান্না থানবা অমসুং কোয়লাস নীংথিজনা থারবদি সহর অসি হেন্না মশক ফজহনবা ঙমগনি। মসিদা চঙগদবা শেনফমশিং অদু লৈঙাক্না পাম্বৈ অমা তৌদুনা পুথোক্লগা লম্বীশিং অসি থুনা শেমজিল্লবদি মণিপুরসু অতৈ ষ্টেটকুম্না মপান্থোঙদদি লংলগনি। খ্বাইদগী লুরবদি লম্বী চৎপদা গাড়ি এক্সিদেন্টকী থৌদোক হন্থহন্নবা লৈঙাক্কী থৌরাং অসি মহয় য়ানবা ঙমদ্রি। মীয়াম্বু শাফবা পুন্সি মহীং অমদা থম্বা হায়বসি লৈঙাক্কী তঙাই ফদবা থৌদাং ওইবা মরম্না লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা থোক্লিবা খুদোংথিবশিং অসিসু হন্থহন্নবা হোৎনবগী তঙাই ফদবা লৈ।

টিদ্দিম লম্বী পাক্লে, চাউরে। কোয়লাস নীংথিজনা থাবদগী মীয়ামগী চখোক-চৎশিন্দা শাথিনা নুংঙাইরে। অদুবু মীয়ামগী নুংঙাইনবা লম্বী শেম্বদা মোরোক মেৎপদা জাৎ তাবা হায়বদৌনা লৈঙাক্কী থৌশীলদা অশোয়বা খরা লৈবনা চখোক-চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা অপনবা পীবা অমসুং খুদোংথিবা কয়ামরুম থোরক্লে। কৈশাম্পাৎতগী হোদাম লৈরক মপা ফাওবগী দিভাইদর ৰাংনা নীংথিজনা খাগৎখিবদগী লম্বী মতেক অসিদা মখল খূদিংমক্কী গাড়ীশিং রাইট টর্ন লৈখিদ্রে। হোদাম লৈরক্তগী ক্বাকৈথেল ফাওবসু লম্বী ফাওদোক-ফাওজিন য়াহন্দ্রে। ক্বাকৈথেলদগী অমুক ইম্ফাল কোলেজ ময়া ফাওবা দিভাইদর লাম্হোকপা য়াদনা শেমখ্রে। মতৎ-মতৎ দিভাইদর খাবগী সিষ্টেম লৌথোকখিবসিনা মরম ওইরদুনা ঙাইহাক লৈতনা থোক্লম্বা এক্সিদেন্টকী থৌদোক্তি হন্থরে। মীয়াম্না চখোক-চৎশিন্দা হান্নগী মওংদুদগী হোংলকপনা খুদোংচাদবা মায়োক্লে খল্লবসু মতম খরগী তুংদদি শোয়দনা হৈনরক্তুনা খুদোংথিবা থোকপগী চাং অমুক্কসু হন্থহনবা ঙল্লগনি। অদুবু মতাং অসিদা নৈনদবা য়াদবা ৰাফম অমদি য়ুম্লক ফাওরগা চৎপগুম্না লৈরিবা নেসনেল হায়ৰেশিং অসিগী নাক-য়েৎতা খুন্দারিবা মীয়ামগী হৌজিক হৌজিক্কী ওইবা ৰাকৎ করিনো হায়বা লৈঙাক্না খনবা চুমগনি। কৈশাম্পাৎতগী থৌদরকপা মশিং য়াম্লবা গাড়ীশিং লম্বীগী নাকলদা লৈবা কৈশাম্পাৎলোমদা চৎনবগী অমত্তা ঙাইরবা মফম হোদাম লৈরক মপাদা হাংহন্দুনা থল্লিবা মফমসিনা ওইরে। সেগা রোদলোমদগী লাকপবু ওইরবসু লম্বী লাম্হোক্লবা মফমদুসু হোদাম লৈরক্কী মপা অসিনা ওইরি। খুদম ওইনা হায়রবদা হৌজিক্তি হোদাম লৈরক মপাদা হাংহল্লগা থল্লিবা দিভাইদরগী মফম অসি মশিং য়াম্লবা মীয়ামগী লাম্হোক লানশিন তৌনবগী অমত্তা ঙাইরবা মফম ওইরক্লে। অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং থিদনা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়ানা লাম্হোক-লানশিন তৌনবা মফম ওইবা, অমরোমদনা লম্বী ফবগী চুমদ্রি চুম্না গাড়ী থৌরকপা কাঙবুনা খোঙজেল য়াংনা মখোয় মখোয়গী গাড়ীশিং থৌরকপনা মফম অসিৰাইদা অশোয়বা অমা লৈবদৌনা ঙাইহাক লৈতনা খুদোংথিবা থোক্লে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মফম অসিদা খোঙনা লাম্হোক-লাশিন তৌননবা জেব্রা ক্রোশিংনচিংবসু অমত্তা শেমদে। মসিনা ঙাইহাক লৈতনা মফমসিদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি মীনা নংলি। মরম অদুনা মফম অসিদা ট্রাফিক পুলিস খরা থম্নবগীদমক ট্রাফিক আইলেন্দ অমা শেমগৎপা মথৌ তাই। মসিদসু নত্তনা দিভাইদরগী মরক্কী অহোবা অসি লৈকায়গুম্না লৈরিবা মী কুংনা তাবা মফমদদি কিলোমিটর মখায় খূদিংগী থম্বা য়াব্রা হায়বদুসু য়েংশিলহন্নিংই।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭২

১। কাং শান্নবা হায়বসি ঐখোয়গী থানবা য়াদ্রবা মশান্না অমনি। মী তরেৎ-তরেৎ ফম্নরগা শান্নবনি।
  (ক) করম্বা মৈদিংঙুগী হাক্তক্তা কাং শান্নবা হৌখিবগে?
  (খ) পনঙাকপা মীশক্লা ফমফম কয়াশুবদা ফম্বগে?
২। ‟নোংমা নোংমগী থামচাগী মমল হাইথরকপনা ঈশিংমুক মমল লায়খ্রে। কান্নবদি লৈবা মমলদি হোঙবা।’’ পরেং অনীসি এম কে বিনোদিনীগী ৰারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৰারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু?
৩। ‟বেশ্যাইমচাগী/ওক মকোক পানবশিংদো/মমীৎ মমীৎতমক ময়েংনৈ/মমীৎতমক ময়েংনৈ।’’ পরেং মরি অসিনা শ্রীবীরেনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু?
৪। ‟হায়হৈদে তমু, তুংগী পুন্সিগী খল্লু, লমন শিংদনা তোকলোইসি।’’ পরেংসিনা ‘নূংগী চীনবান’ কৌবা ৰারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু?
৫। ‟হল্লকখিনি অমুক তোর্ব্বানসিদা’ হন্দোকপদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১গী পাউখুম ৩ চুম্না থাবীরকখিবদি

১) মাইবম নিলান্দো, সাম্বৈ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট ***(৩)***

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭১গী ৰিন্নর

মাইবম নিলান্দো, সাম্বৈ মখা লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্ট

লিটরেরি ক্যুইজ ৭১গী মনা লাম্হোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম মে ২০, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্হোকচগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১ গী পাউখুম

১। ঐখোয়গী ‘ময়াংইম্ফাল’ অসি হান্নদি ‘ময়াংয়ূম্ফম’ হায়না কৌরম্বনি। মদু খুমন নিংথৌ অমনা ময়াং কালিসা নিংথৌ অমগা লান শোক্লবদা খুমন নিংথৌনা ঙমদুনা ফারকপা ময়াংশিং লৈহনখিবদগীনি।
  (ক) খুমন নিংথৌদুগী মমিং করি কৌই?:- **থিঙ্গোল হনবা**
  (খ) ময়াং কালিসা নিংথৌদুগী মমিংনা করি কৌই?:- **কালারাজ**
২। ‟নীংথিরবী নুজাগী/ঙক্তা শিবা লৈতেংগী/সনা লিকফাং মরক্তা/অমতা থানবা মনিগুম।’’ পরেংশিংসি কবি ময়ূরধ্বজগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং মমিংদু হায়য়ু?
  :-‘পোক্লফম’
৩। তোংব্রাগী পুন্সি লোইরমদাইদা Tretalogy (দ্রামা ৪না শাবা) ইরম্মী। অহুমদি (১) সনাখৈ হুখ্রে লৈবাক্তৈ (২) ককখ্রবা কোকয়াম রাবন ককয়াই (৩) নুপীগী অধিকার অসিনি। মরি শুবা দ্রামাদুগী মমিং হায়য়ু?:- **‘প্রজাগী খুদোল, ষন্নাও থম্মোয়’**
৪। ‟নাকল অমরোমদা শৈরেংদি কলানি/কলাগী মগুণদি আধ্যাত্মিক্লা পাদম ওনগদবনি, এস্থেটিক ভেল্যুনা মচু লোক্কদবনি।’’ ৰাফম অসি নুপী ক্রিটিক অমনা হায়বনি। নুপী ক্রিটিকতুগী মমিং হায়য়ু? **:- ৰাহেংবম কুমারী চনু**
৫। ‟চীংনা ঐগী পম্থৌ, তম্না ঐগী পলেম’’ কৌবা হন্দোকপা ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক অদুগী অইবীদু কনানো? মমিং হায়য়ু?:- **এন অনীতা দেবী**

পদ্মকুমারগী সাহিত্য মশক লেপ্পা

সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

মণিপুরগী খোরিরোল (লোইনশিল্লোন/সাহিত্য) গী অচঙবা থৌমী - চাউবা, কমল, অঙাংহলদগী হৌরগা ঙসিগী মীরোল অসিফাওবা কয়া অমা থোকখ্রে। ঙসিসু লেপ্তুনা থোক্লক্লি। অতৈ লমগা য়েংনরুবদা খরা খোঙহৌ থীনখ্রবসু মণিপুরী খোরিরোল, ঙসিদি লনগৈ চোল্লবা পুক্কে অমা ওইরক্লে। পীক্লা মঙাল চাউবীনি-ওন্থোক্লা চুম্না শৈথারম্মী।

মণিপুরী কলচরগী পুক্কে ওইরিবা মচলশিং - জগোয়, ঈশৈ, ফিল্ম, থিয়েটরনচিংবা কলাশিং অসিগী মরক্তা খ্বাইদগী মশা খীংবা কলাদি ‘সাহিত্য-কলা’ অসিনি। অতৈ কলাগী লূপশিংসিগী মতৌগুম সাহিত্যগী লূপ, লৈরিবা খরা অসিদি কৈদৌঙৈদা তূমদুনা লৈতে। লাইরিক ফোঙবা-নৈনবা, চয়োল খুদিং লেপ্পা লৈতে। খোরিরোল শূবা মীওইশিংদা মনা-মথুম পীদুনা ইকায়খুম্নবই থবকসু, মানা মানা ঙমজবা থাক্তা লূপ খুদিংনা পাঙথোক্লে।

অসিগুম্বা থৌরমশিংগী মনুংদা, পদ্মকুমারগী সাহিত্যগী কুম্মৈ - ২০১৮ খ্বাইদগী নৌনা পাঙথোকখিবা সাহিত্যগী থৌরমশিংদা অমনি। কোরস রিপর্টরি থিয়েটরগী শামুশঙদা লৈবা ‘শ্রাইন প্লে-হাউজ’ দা মে ৬তগী ১২ ফাওবা পাঙথোকখি। অহৌবা নুমিৎতু নত্তনা অতোপ্পা নুমিৎ তরুক্কি অদুদি পদ্মকুমারনা ইরম্বা শৈরেং অমদি ৰারীমচাশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা শেমগৎপা থিয়েটরগী পার্ফোর্মেন্স ঙাক্তনি। মে ৬, ২০১৮- ‘পদ্মকুমারগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য’ হায়বা হীরম অসিদা স্কোলর ৭না তোঙান তোঙানবা চে পাথোক্তুনা নৈনখি। (১) ডা. হৈক্রুজম রোয়বালানা ‘ৰারীমচা ইবা অমা ওইনা কাঙজম পদ্মকুমার; (২) কে শান্তিবালানা ‘পদ্মকুমারগী নুংশিবা (নোভেল)’; (৩) ডা. চিরোম রাজকেতন্না ‘পদ্মকুমারগী ৰারেং অমদি মাগী ৰাখল্লোন’; (৪) ডা. থোকচোম ইবোহনবীনা ‘সমালোচক অমা ওইনা কাঙজম পদ্মকুমার’; (৫) ডা. য়েনসেম্বম কুঞ্জবিহারীনা ‘কাঙজম পদ্মকুমারগী শৈরেংবু নৌহৌনা মশক লেপ্পা’; (৬) ডা. এম প্রিয়ব্রতনা ‘নোভেলিষ্ট পদ্মকুমার: মীৎয়েং অমা’; (৭) ডা. এস লনচেনবা মীতৈনা ‘কাঙজম পদ্মকুমার অমসুং মাগী শৈরেংশিংদা মীৎয়েং অমা’... হায়বা হীরমশিং অসিদা চে পাথোক্তুনা নৈনখি।

সেমিনার অদুদা স্কোলর তরেৎ’না নৈনখ্রিবা হীরমশিং অমদি নৈনদুনা পুথোরক্লিবা চেরোল (পেপর) শিং অসি য়েংলুরগদি সেমিনার অদু য়াওরুবা নৎত্রগা চেরোলশিং অদু পারুবা মীওইশিং অদুনা শোয়দনমক্কী হায়গনি - ‘মণিপুরী খোরিরোলদা পদ্মকুমারগী খুদোল, শিংথানীংঙাই ওইনা চাউই’ ... ‘সেমিনার অসি নিংথিনা মায় পাক্লবা অমনি’। সেমিনার অসিগা ইরোইনবা থিয়েটর ফেষ্টিবেল অসিগী থোইদোকপা মতৌ অমদি কুম্মৈ অসি কনাগুম্বা সাহিত্য নৎত্রগা কলচরেল ওর্গেনাইজেসন অমনা শিন্দুনা পাঙথোকপা নত্তবা, লৈখিদ্রবা অইবা অসিগী ইমুং-মনুং, মচাশিংনা শিনবা অসিনি। মরুওইনা মচা ইবুংঙো অহল, কাঙজম রাধাকুমারনা লুচিংদুনা। মপা ইবুংঙো পদ্মকুমারনা হিংলিঙৈ পাঙথোক’ঙল্লমদবা থবক্তু মচাশিংনা পাঙথোকপনি। পলেম পম্থৌগী শিংঙমদবা লমন’দু মচেৎ অমত্তা ওইর’সু শিংদোক্লুবা হোৎনবনি। ঙমদবগী তৌবনি, মপারী-মমোম খুদিংমক্কী তৌফদ্রবা থৌদাংনি।

ইম্ফাল ময়োন, উরিপোক্তা পোকখিবা, চহী ৭৫ রোম পুন্সিখিবা (১৯৩৪-২০০৯) কাঙজম পদ্মকুমার-হিংলিঙৈগী মতমদা মচা-মনাও ওইবশিংদা মহৈ তম্বীবা (ওজা) গী শিনফম তাইবঙ শিম্থা ওইরকখি-রাম লাল পোল হায় স্কুল অমদি নোংমৈকাপ্পম গোপাল কোলেজদা। চুম্নগী ওজা ওইবখক্তা নত্তে, মহাক মশানা তম্বীরিবা হীরম, সাহিত্যদুগী পুক্কেদা মশক থোকপা খুদোল কয়া তৌননবা হোৎনরম্মী। শৈরেং, ৰারেং, ৰারীমচা, ৰারী মপূম কয়াদা খূৎ থারম্মী। মহাক মশানা হিংলিঙৈ লাইরিক মঙা ফোঙলম্মী-(১) সন্ধ্যাগী ঈশৈ (শৈরেং, জুলাই ১৯৭২); (২) মসিনা ঐগী অরোইবা ৰানি (শৈরেং, সেপ্টেম্বর, ১৯৯২); (৩) শম্বল অমসুং অতোপ্পা ৰারীশিং (ৰারীমচা, ওগষ্ট, ১৯৯৬); (৪) অথোয়বা অহিং (ৰারীমচা, সেপ্টেম্বর ২০০২); অমসুং (৫) ইমাগী মনম (শৈরেং, ওক্টোবর, ২০০৪)। মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা পি কে পব্লিকেসন্স’না অতোপ্পা লাইরিক মাপল অমসু ফোঙলকই-মশানা য়েকচবা কনাগুম্বা অমগী মশক (শৈরেং), মতম মতমগী ৰাখল (ৰারেং), কনাসু ঐগী মিং খঙদে (ৰারী মপূম), চেক্লা পাইখরবনা (শৈরেং), অনৌবা চহীগী পাউজেল (শৈরেং), অফবা পৃথিবী (ৰারী মপূম), ময়ি চৎলবা থৰায় (ৰারী মপূম), তারমদাই নুমিৎকী মশেক (ৰারী মপূম), মসা য়াওদবা উচেক (ৰারীমচা)। অপুনবা লাইরিক ১৪ ফোঙবসিগী মনুংদা লাইরিক তরুক্লা শৈরেংগীনি, ৰারীমচাগী অহুম, ৰারী মপূম মরি অমদি ৰারেং-লাইরিক অমনি। অতোপ্পা খরসু ফোঙলকখিনি। ফোঙনবা লাইরিকশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইরগনি ঙসি, মণিপুরী খোরিরোল’দা পদ্মকুমারগী খুদোল মশক লেপ্পনবা হোৎনরিবা অমদি মাগী মফম অমা পীননবা লাক্লরিবা।

তারিখ ৬কী সেমিনার অদুগী পান্দমসু মদুমক্লি। ঐখোয়না পদ্মকুমারগী মশক লেপ্পদা করম্না লেপকদগে? কবি অমা ওইনা? ৰারীমচা নৎত্রগা ৰারী অচৌবা ইবা অমা ওইনা? ৰারেং ইবা/সমালোচক অমা ওইনা? মহাক্না খ্বাইদই মায় পাক্লা থারম্বা খূৎথাসি করম্বা খূৎইদনো?

স্কোলর তরেৎমক্লা ৰাফমসিমদি অমত্তা ওইনা য়ানৈ, মদুদি কাঙজম পদ্মকুমার সেরিয়স ওইবা অইবনি। কূপ্পা থিজিন হুমজিল্লগা খূৎ থাই। নোংচুমলোমগী সাহিত্য অমদি ইন্দিয়ন লিটরেচর কূপ্পা নৈনবা মীশকনি। কবি অমা ওইনসু, এসেইষ্ট অমা ওইনসু, ৰারীমচা ইবা অমা ওইনসু, নোভেলিষ্ট অমা ওইনসু, সমালোচক/ক্রিটিক অমা ওইনসু পদ্মকুমার - শিংথাবা য়াবা মীশকনি হায়বসিমদি পেপর রিদরশিং অসিগী ‘মত’নি। অদুবু, থম্মোয় শেংনা, লৌথুপ লৌকোই লৈতনা ঐবু হায়জৌ হায়রগদি হন্দক্কী সেমিনার অসিখক্লা পদ্মকুমার-দি রাইটর (অইবা পদ্মকুমার) অদুগী মশক লেপ্পা ঙমখিরোই। মায়থোঙ য়াম্বা অইবনি মায়কৈ কয়াদগী য়েংবা চঙলি। নৈনরোয় কয়াগী মান্নদবা মত লাকখিনি। ৰারী মপূম (নোভেল) ইবা অমা ওইনা পদ্মকুমারগী মশক লেপ্নবা হোৎনরিবা প্রিয়ব্রত’না হায়...*করিগুম্বদা অকক্লবা পন্দুপ অমদা, করিগুম্বদনা লামায় অমদা, অদুগা করি করিগুম্বা মতমদনা ৰাহৈ পরেং অমদা ঊন্দুনা লৈবগী নুংঙাইবা ফংই... করিগীনো মসিদি? ইথন্তা পাউখুম পীনবা হোৎনৈ...*। মসিমদি য়াম্না পুকচেল শেংবা ষ্টেটমেন্ট অমনি। ৰারীমচাদবু ওইরো, ৰারী মপূমদবু ওইরো পদ্মকুমারনা পুথোক্লকপা ‘চরিত্র’ (ক্যারেক্টর) শিং মতৌ করম্না য়েকপগে? সিমখক্তং নৈনবা-নুংঙাইবা এক্সরসাইজ অমা ওইগনি। মহাক্কী ৰারীমচাশিং অমদি ৰারী মপূমশিং ক্রোস সেক্সন কয়া থোক্লা খাইদোক্লগা নৈনবা চঙলি, হেন্না মশক থোক্লকখিনি। অফোঙবা লাইরিক ১৪গী মনুংদা ৬না শৈরেং লাইরিক ওইরম্বা, মহাক্কী শৈরেংশিংগা মণিপুরগী খোরিরোল শূবশিংগা শকখঙনবসু কুইরবা ওইবনা, পদ্মকুমার- দি পোইট (কবি পদ্মকুমার) অদু ওইনা নৈনরোয় খুদিংমক্কী থম্মোয়দা ময়েক লানা তাদুনা লৈ হায়বসি মখোয় মখোয়গী মফোঙদোক্তগী ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। প্রিয়ব্রতনা হায়, ‘পদ্মকুমারগী ৰাখল, মীৎয়েং অমদি লোন নৈনরকপদা, ‘মহাক কবিনি কবি ওইনা পোক্লকপনি’ হায়বা ৰাখলসি কাউথোকপা চুমদে, লমজিং-মঙাল অমা ওইগনি’। পদ্মকুমারগী ৰারেং নৈনরুবা রাজকেতন’নসু হায়, পদ্মকুমারগী সাহিত্যদি ৰারী লীবা নত্তে, নুংগী (থৰায়) পুন্সিগী অশেংবা মশক থিবনি’। অইবা মশানসু হায়জরম্মী...‘ঐগী করি ৰারী ইরিবনো? ইবা ঙমদদুনা ইরিবনি’। ডাক্তর ইবোহনবীনা মত পী... ‘মহাক তশেংনা মণিপুরী সাহিত্যগী মশক নাইবা সমালোচক অমা ওইবদগী ক্রিয়েটিব রাইটর অমা ওইবনা হেন্না খল লূম্না লৈ’...। মহাক্কী শৈরেং নৈনবা য়েনশেম্বম কুঞ্জবিহারি’না মাগী ৰারোইশিন পী ...‘তশেংনমক কবি পদ্মকুমার লমদম অসিগী তাঙলবা কবি অমনি... মহাক্কী লোন, ইমেজরি, সিম্বল কয়াসিনা মহাক্কী শৈরেংগী অঙকপা মগুণ হাপ্পী’...।

লাইরিক য়াম্না পাবা ৰাৎপা, মরুওইনা ইরোন্দা ফোঙবা লাইরিকশিং পাবীদবা, লমদম অমা ওইবনিনা, মণিপুরগুম্বা লমদম অমদা অইবা অমগী মফম/মমল লেপ্পা হায়বসি অরুবা থৌদাং অমনি। অইবা মশাগী ওরিজিনেল রাইটিং ফোঙবসিগী মথক্তা, মহাক্কী খূৎইদুগী মরমদা ইবা লাইরিকসু ফোঙদোকপা - তঙাইফদবা অমনি।

তাঙ্খুল নুরাবীগী লাইথৌদা য়াওরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মচাক

ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ

ৰাহৌদোক :- উমংলাই হরাউবগী য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অমা ওইরিবা তাঙ্খুল-নুরাবীগী থৌরম অসি মীয়াম্না অদুম উন্দুনা লৈরবা অমদি ইখঙ-খঙনরবা অমনি। অদুবু থৌরমসি লাইথৌ অমা ওইনা অমদি কুম্মৈ অমা ওইনা য়েংবগা ইরোইননা ইনাৎ-লাইনিংগী ওইবা ৰাখল-লৌশিং অমদি সাহিত্যগী পুক্কে অমা ওইনসু অমুক্তং য়েংমিন্নসি। মৈতৈগী লাই হরাউবা হায়বসি কূপ্পা য়েংশিল্লবদি মণিপুরী সাহিত্যগী হৌরকফমসু থিবা ফংগনি। লমদম অসিগী অরিবা লোনশিং (খুনুংলোন) - মৈতৈলোন, খুমনলোন, মোইরাংলোন, চকপলোন্নচিংবা কয়া মরাং কায়না লাই হরাউবদা য়াওরি হায়বসি থিজিন-হুমজিনবা অমা চঙলি। ওরেল লিটরেচর ওইনা লাই হাক্তক্তগী ঙসি ফাওবা চৎথরক্লিবা লাই হরাউবনা মণিপুরী সাহিত্যদা কল্লিবা মফম অসিদি শিংথাদুনা লোইবা নাইরোই। অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী পুৰারী নৈনরুবা মতমদদি সাহিত্যগী মচাক পুম্বা উমংলাই হরাউবগা হকথেংননা অমদি নাকোয়ননা মরী লৈনবা ৰারী-ৰাখোঙশিংদা য়ূম্ফম ওইরম্বা ঐখোয়না থেংনগনি। লাইবক থিবদি হৌজিক মতমগী সাহিত্য শূবশিংনা উমংলাই হরাউবগী চৎনবীদা য়াওরিবা মালেমগী মীয়াম্না কল্লক্লরগদবা মমল য়াম্লবা, ফজ-ফজরবা, অৰাংবা থাক্কী সাহিত্যগী মচাক কয়াসিদা মীৎয়েং ইচঙ-চঙবীদবা অসিনি। ‘গোদস ইন মণিপুর লিটরেচর’ হায়বা পেপর অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজা থৌনাওজম রতনকুমারনা পাথোক্লুবদা য়ু এস এগী য়ুনিভর্সিটি অমনা মখোয়গী সিল্লেবসতা হাপচরগে হায়রকপদগী মখোয়গী নৈনবা মচাক ওইনা খনগৎখিবা অসিমক ঐখোয়দা অচৌবা পাড়া অমনি হায়জনীংই। হান্নদি লাই হরাউবা অসি চিনবুং ওইনখক লৈরম্বদু ঙসিদি হীরমসিগা মরী লৈনবা পুয়া কয়া, থেসিস কয়া, লাইরিক কয়া মরাং কায়না লৈরক্লবনিনা সাহিত্য শূবশিংনা মসিদগী মচাক কয়া খুন্দুনা অনৌ-অনৌবা পোথোক কয়া পুথোকপদা হেন্না খুদোংচারগনি।

মৈতৈ ফুরুপকী নাৎ, চৎনবী, লাইনীং, ৰাঙুরোল, হৌরকৰারী, পুৰারী, পুন্সিরোল, লৈঙাকলোন, শেম্মীৎলোন, হকশেল কাঙলোন, য়ুমশারোল, লৌতারোল, থৌগল্লোন, ফিজেৎ-লৈতেং, চাকচা-য়িথক, হরাউ-কুম্মৈ, জগোয়-ঈশৈ, খূৎ-শা হৈবগী কাঙলোন্নচিংবা হীরম খুদিংমকপু চেৎনা ঙাক্তুনা নীংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী হৌনা ঙসি ফাওবা তাক্তুনা লাক্লিবসি ঐখোয়গী উমংলাই হরাউবনি। ফুরুপ অসিগী অশেংবা শক্তম্বু তাক্লিবা অৰাংবা থাক্কী লাইথৌ অসি খুন্নাইসিগী খ্বাইদগী চাউবা ইনাৎকী পুক্কেনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। মৈতৈগী খুনুং লিচৎ-শাজৎ নৈনবদা লাই হরাউবমুক মপূং ফাবা লাইথৌ অমত্তা লৈররোই হায়না খঞ্জে।

লৈখিদ্রবা ওজা চোংথাম মনিহারনা - ‟মৈতৈ মশক খঙগে হায়রবদি লাই হরাউবদা থিয়ু’’ হায়না তাকপীরম্বা অসি ৰাহম্থোক য়াম্না লৈত্রা হায়না খল্লি। লাই হরাউবা লৈরমদ্রবদি মৈতৈনা মালেমদা শগোল কাংজৈগী মশান্না খুদোল তৌবা ঙল্লমলোই, মালেমদা ফাওরবা রাসলিলা, থাঙ-তানচিংবা ইচাক-ইরল অমত্তা লৈরম্লোই। লাই হরাউবনা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং অদুগী লু-তোংদা শান্ন-খোংনবগী থৌনা অমা, চৎনবী অমা ঈরোইনহল্লকপনা ঙসিদি মালেমগী শান্ন-খোংনবগী ফম্বাক্তা মৈতৈনা কল্লিবা মফমদু অমুক্তং খন্দুনা য়েংবীয়ু। হীরম খুদিংমক্কী ওইবা ৰাখল-লৌশিং, চৎনবী কয়া লাই হরাউবদা হাপচিন্দুনা থম্লিবারম্বদগী মৈতৈনা ইতোপ-তোপ্পা, মতিক-ময়াই লৈবা ফুরুপ অমা ওইনা ঙসিগী মালেমদা মঙাল লৈনা লেপচবা ঙমজবনি। লাই হরাউবদা য়াওরিবা মমল য়াম্লবা ৰাখল-লৌশিং ময়ামসি ঙসিগী মীরোলসিনা মরুওইনা মহৈরোয়শিংনা অমদি নৈনরোইশিংনা য়াম্না হৈ-শিংনা কাঙলোন চুম্না থিজিন-হুমজিন্দুনা অনৌবা রিছার্স ফাইন্দিং কয়া পুথোক্লবদি মালেমগী মীয়াম্না ঐখোয়গী লাই হরাউবদা পুল্লপ মায় ওনশিল্লকপদি শোয়রোই। ঐখোয়গী য়ুনিভর্স ওফ নোলেজ অসি লাই হরাউবদা য়াওরি হায়বসি ঐখোয় পুন্না মপূং ফানা খঙমিন্নরক্লবা মতমদুদা লাইথৌ অসি হেন্না হেন্না চাওখৎলকখিগনি। লাই হরাউবা অসি খুন্নাই অসিগীদি পিপলস/সোসিএল য়ুনিভর্সিটিনি, স্কুল ওফ থোটনি, লিভিং হোলি বুকনি, ইন্দিজিনস এদ্যুকেসন সিষ্টেমনি। লাইথৌ কুম্মৈ অসিনা করি ফোঙদোক্লি, করি পাউতাক পীরি, করি-করি থৌদোকশিংবু নীংশিংহল্লবগে হায়বদুনি ঐখোয়না খন্থুগদবদি। নহাললোং করিসু লৈত্রিঙৈদগী কোরৌ-মালেম, নুমিৎ-থানা পাল্লকঙৈদা ওইরমগদবা থৌরম মশীং থিঙম-থিঙল্লরোইদবা, লোম্বা নাইররোইদবা কয়াবু লাইথৌ অসিনা খুদম ওইনা পীবিরে। নমু তাইবঙ মীওইবা অমদি থৰায় পানবা শা-ঙা, উচেক-ৰায়া, তীল-কাং, অচৎ-চত্ত, উপান-ৰাপান, নাপী-শিংবী, থাবদা লোইবা নাইররোইদবা কয়াগী হৌরকৰারীশিংবু লাই হরাউবগী মরোল থোক্তবা জগোয় খূৎথেকশিংনা অমদি ঈশৈনা মরম শুনা ময়েক শেংনা তাক্লি। পূম্নমকসিবু ঐখোয়না করম্না হেক্তা কাউথোক্লসিগে?

তাঙ্খুল-নুরাবীগী থৌরম্না করি-করি তাক্লি :- সাহিত্য হায়বসি খুন্নাই অমগী নাৎ-চৎনবী, লোন, লাইনীং, হৌরকৰারীনচিংবা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগা মরী লৈননা ইরিবা খূৎঈশিং মরুওইনা ৰারেং, শৈরেং, ৰারীমচানচিংবা কয়াদুনি হায়না খল্লি। মরম অদুনদি তাঙ্খুল-নুরাবীগী তাঙ্কক অসিদা য়াওরিবা সাহিত্যগী মচাকশিং অদু খঙগে হায়রবদি লাইথৌ অসি মমুৎ তানা নৈনবা অমা চঙলি।

তেংপানবা মপূগী সনায়াথং মতুং ইন্না তাইবঙ কুম্মৈ মথং মথং শুম শান্নরকপগী শরুক অমা ওইনা অদুঙৈ লাইনিংথৌ অশিবগী মশাদগী পুথোকপা নোংপোক নিংথৌগা ইমা পান্থোইবীগনা মশক লোৎতুনা তাঙ্খুল শারম পাখঙ অমদি লাংমাই নুরাবী শাদুনা (খাবগী মখূৎতগী লোৎতুনা) লৈরিঙৈদা নোংমা নুরাবীগী পাম য়ানফমদা মখোয় অনী থেংনবগী থৌদোক্তা য়ূম্ফম ওইবা য়াম্না নুংশি-নুংঙনগী মতাংসু ওইবা, জগোয়-ঈশৈগী শরুকসু য়াম্না য়াওবা অমদি পুৰারী কয়াবুসু লীরিবা লাইথৌ কুম্মৈ অমনি। অদুঙৈ কায়নরমদাইদা য়ারা পুকমেন-পাউমেন্নখিবগী মতুং ইন্না ইবুংঙো ইবেম্মা অনীনা অমনা অমবু মশক শেংনা খঙদোক্লনবা অৰায়-অখুম কয়া তৌনবনি। ঈশৈ-নোংমাইগী মতাংদা য়েংলবসু ফজ-ফজরবা শৈহক-শৈদা, খোল্লৈ-খোন্দা কয়াসু মরাং কায়না য়াওরি। থৌনি ঈশৈ, লৌতারোল ঈশৈ, লৌয়ান ঈশৈ, অৰাই-অখুম ঈশৈ, খোইরা কৎপগী লাইরোল ঈশৈ, ফৌ মৰু ওম্বগী লাইরোল ঈশৈ, লৌকাবগী লাইরোল ঈশৈনচিংবা লাইথৌশিংদা য়াওরিবা ঈশৈশিং অসি ঐখোয়গী সাহিত্যগী অচৌবা মচাকশিং ঙাক্তনি। লৌউ-শিংউদুনা চিঙ্গাক পুথোকপগী অমদি থবক শূবা-নোম্বগী শিনলোন-শিনশুরোন কয়াবু তাকপী-তম্বীরিবা তাঙ্কক অসিগী অশেংবা মমিংদি ‘লংমাই লৌতারোল’ নৎত্রগা শম্না ‘লৌতারোল’ হায়না খঙনৈ। লাই হরাউবদা হান্না য়াওরমদে, মতমগী খোঙলৈ তুং ইন্না লাই হরাউবা অসি অসুম-অসুম চাওখৎলকপদা হাপচিল্লকপা লাইথৌ অমনি হায়না মীয়াম্না তাঙ্কক অসি য়াওদ্রবসু য়াই হায়না লৌনরবসু ঙসিদি লাই হরাউবদা তঙাইফদনা য়াওদ-য়াদ্রবা থৌরম অমা ওইরে। লাইথৌ অসি য়াওদ্রবদি লাই হরাউবা অসি মপূং ইফা-ফাদবগুমসু তৌই। শোয়দনা য়াওফমসু থোকই। মরমদি চুম্নগী মীয়াম নুংঙাইনবা কুম্মৈগী শরুক খরগা লোয়ননা চৎমিন্নরবসু ঐখোয়না খঙজিন-তমশিলহৌবা মথৌ তাবা পুৰারীগী মচাকশিং, লৌশিং কয়া, পাউতাক কয়া, লাইরোল-লাইৰা কয়া অমসু য়াওরি। ‘খল্লাংবা ঈরেং পুৰারী তৎতবা’ পুয়াদা য়াওরিবা ‘লৌতারোল’ হায়রিবা লাইথৌ অসি তাঙ্খুল-নুরাবীগী তাঙ্কক অসিনা ঐখোয়দা হঞ্জিন-হঞ্জিন তাকপীরি।

লৌতারোলগী তাঙ্কক অসিদা হাওবা, নুরাবী, কংলৈ লৈবাক মপূ (খুনবু), লম্পু, কোনশাবী, থৰাইনুনচিংবা তোঙান-তোঙানবা খোয়ুম লাইগী শাইওনশিংনা ঙাঙন-শক্লরিবা, ৰারী-ৰাতাই শান্নরিবা, পাউশানরিবা ৰাহৈ-ৰাতা, লৈশি লৈথোন, পাউরৌ-পান্থেনচিংবা কয়া অসিদগী সাহিত্যগী মচাকশিং হৈ-শিংনা খুনগৎপা ঙল্লবদি ঐখোয়গী সাহিত্যগী ইতোং-তোঙানবা মশক অমা থোরক্কনি। লাইথৌসিদা শীজিন্নরিবা ঈশৈশিং, লাইরোলশিং অমদি ঙাঙন-শক্লরিবা কয়াসিদা ফুমদুনা য়াওরিবা ঐখোয়গী অরিবা ৰারি-ৰাখোঙশিং অমদি অদুনা ঐখোয়দা খঙহন্নীংলিবা মতমদুগী চৎনবীশিং অদুদসু মীৎয়েং য়াম্না চঙফম থোকই। চীংউ-খোয়ুম লাই ওইরিবা তৌনীংবতা তৌবা ঙম্বা নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী অনীনা করিগীদমক খাবা সলাইগী মখূৎতগী নাম্থোক্লনবা কোইরোৎ-লোৎলিবনো? লাল্লুরবদি লাই ফাওবা লোৎপা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে হায়বা ফজখ্রবা সাহিত্য অসি লাইথৌ অসিনা ঐখোয়দা ৰারী লীবিরি।

ফৌ মখল ১৪ (তরা, তোংনু, লিকশি, খারৌ, য়াইফৌ, য়াইশেল, চুজাক, চহাও, পুমানবী, লাংমানবী, মোরশি, মাংদাং, ইচৌয়া, কেদেকপা) লৌয়াল্লগা হুনবগী মতাং অমা য়াওরবসি হৌজিক্কী মতমদা ফৌশিং অদুগী মরমদা থিজিন-হুমজিল্লবদি কান্নবগা অমত্তা ফংলোইদ্রা? মায়কৈ ঙাকপা লাইয়াম্বু (থাংজিং মার্জিং, ৰাংব্রেন, কৌবু, শোরারেন, থোংঙারেলনচিংবা) থৌনিজবা অমদি চীংঙু লাইয়াম্বু লাইতাইনবগী ৰাংউলোনতনা পীক থল্লবা অঙাং পোকপগী ‘ঈপাল থাবা’ থৌরম অসিদসু য়োক্তুনা থল্লি। ‘ইপাগী হিংকোনগী ঈরম-খোঙলমশিং অসি লোয়না ফুল্লে, শিদয়াই-নাদয়াই পুঙসু ময়েং তারে, অশিথোঙসু লাউনা ফাৎলে, অচঙথোঙনা য়াম্না খুরে, পাখ্রখোঙ-লুখ্রাখোঙসু কুৎনা উরে। পূম্নমকসি শেমজিন-শাজিনবা অমদি তুদেং-খোঙদেংবা অমা মথৌ তারে।’’ হায়দুনা হাওবনা খুনবগী হিংকোন্দা থবক খুদিংমক কাঙলোন চুম্না অমদি থবক মচু তানা তৌরিবা অসিনা ঐখোয়দা মমল য়াম্লবা অমদি পুন্সিরোল কয়া কয়া তাক্লি। লাই হরাউবদা য়াওরিবা তাঙ্খুল-নুরাবীগী কুম্মৈ অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা চীংমী-তম্মীগী মরক্তা অফবা মরী অমা, অপুনবগী শক্তম অমা শাগৎননবা মীওই খরনা কন্না হোৎনরবিসিদা খরগা হেন্না কুপথনা নৈনবা য়াবা মতাং অমদি খুনবুনা নহাক কনাগী মচানো হায়না হংলকপদা হাওবনা হায়খিবা মহাক্তি হুন্দুং লাম্থাবগী মচানি হায়রকপা অমদি মদু তাবদা খুনবুনা হায়রকখিবা - শামুনা ঙাই খঙদে, নিংথৌনা ঙাই থিদে হায়বদু ইপাদা থোক্লরে’ হায়দুনা হাওববু নুংশিনা কোনবীবিখিবা, নানবীখিবা মতাং অসি য়াম্না মরু ওই। খাবা সলাইগী কাঙবু অমা চীংদা কাদুনা লৈখিবা অদু হুন্দুং লাম্থাবখোয়গী কাঙবুদ্রা হায়বা চিংনবা অমা পোকহল্লি।

-মথং-মথং